## য়ু এসকী নুপী ১ ইঙ্খোল তৌদুনা থিখ্রে


সিদনি, জুন ০৮ (এজেন্সি) :
ওস্ট্রেলিয়াদা মাঙখিবা য়ু এসকী নুপী অমা হাৎখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী ব্রিসবেনদা লৈবা মহাক্কী য়ুমগী ইঙ্খোল তৌদুনা থিবা হৌরে হায়না নুপী অদু মাঙখিবগী মতাংদা থিজিল্লিবা ওস্ট্রেলিয়ন পুলিসনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নুপী অদুগা লৈমিন্নরিবা পার্টনরসু ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক্তা ফাগৎলে অমসুং মহাক্কী কার সর্চ তৌরে হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকখি।

## মীওই মিলিয়ন তঙ্খায় অমনা তকশিনগদৌরি

হোং কোং, জুন ০৮ (এজেন্সি) :
চিংনদুনা ফাবা মীওইশিংবু ৱায়েল মায়োক্লহন্নবা চাইনাদা থাবা য়াহনগদৌরিবা এক্সট্রাদিসন লো অমা মুথৎনবা গভর্নমেন্টদা প্রেসর পীনবগীদমক নোংমাইজিং নুমিত্তা হোং কোংদা য়ামদ্রবদা মীওই মিলিয়ন তঙ্খায় অমা নুংশাগী মৈশা মরক্তা রেলি চৎকদৌরি হায়না মদুবু শীন-লাংলিবশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

# মাইগ্রেসন দিল অমা পুরকপদগী মেক্সিকান ইম্পোর্টশিংগী টারিফশিং চৎনহনখিরোইদৌরি




ৱাশিংটন, জুন ০৮ (এজেন্সি):
য়ু এসনা পল্লুং ওইগদবা সেন্ট্রেল অমেরিকাগী মাইগ্রেন্টশিং চঙলকপা থিংনবগী দিল অমা লৈবাক অসিগা মেক্সিকোগা খুৎয়েক পীনখিবগা লোয়ননা মেক্সিকোদগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈশিংদা লৌনবা লাউথোকখিবা টারিফশিং মতম কক্তনা চৎনখিরোই হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোকখ্রে।

ৱাশিংটন্দা নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা নিগোসিএসন চত্থরকখিবা মতুং ইরাই নুমিত্তা য়ু এস অমসুং মেক্সিকোনা এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনরবা মতুংদা জুন ১০ দগী ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবা টারিফশিং অদু মতম খক্তনা চৎনহনখিরোই হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা লাউথোকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মেক্সিকোগা এগ্রীমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনরে। য়ু এসনা মেক্সিকোগী পোৎথোকশিংদা লৌনবা লাউথোকখিবা টারিফশিং অদু মতম কক্তনা ইমপ্লিমেন্ট তৌদনবা ৱারেপ লৌরে হায়না ট্রম্পনা ত্বিটরদা ইখি।

ত্বিট অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেক্সিকো ফাওরগা য়ু এসকী খা থংবা বোর্দর লানশিন্নবা লাক্লিবা সেন্ট্রেল অমেরিকাগী মাইগ্রেন টশিং লাকশিন্নবগী মশক থোকপা অকনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না মেক্সিকোনা থাজবা পীরে। মেক্সিকোনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা মেক্সিকো ফাওরগা য়ু এসতা লোনা য়াদবা মওংদা মাইগ্রেন্টশিংনা চঙশিল্লকপগী চাং শীংথানিঙাই ওইনা হন্থহল্লগনি নৎত্রগা অসিগুম্বা মাইগ্রেন্ট অমত্তা মেক্সিকোগী বোর্দর লাল্লগা য়ু এসতা চঙবা ঙমহল্লরোই হায়নসু মহাক্না পনখি।

মেক্সিকোদগী পুশিল্লকপা পোৎ-চৈশিংদা চাদা ৫গী টারিফ লৌরগনি হায়না প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা হৌখিবা মে ৩০ দা লাউথোকখিবনি। চাদা ৫ গী দ্যুটি অসি করিগুম্বা মেক্সিকোগী প্রসিদেন্ট অন্দ্রেস মান্যুএল লোপেজ ওব্রাদরনা য়ুমথৎনরিবা লৈবাক অনীগী বোর্দরদা মাইগ্রেন টশিং চঙশিল্লকপগী চাং হন্থহনবা ঙমদবা তারবদি থা খুদিংগী খরা খরা হেনগত্তুনা ওক্তোবর ফাওবগী মনুংদা চাদা ২৫ য়ৌহনবগী পন্দম লৈরিবনি।

# ন্যু য়োর্ক টাইম স্কৱারদা টেরর এটেক চথনবা থৌরাং তৌরম্বা বাংলাদেশি অমা ফারে

ন্যু য়োর্ক, জুন ০৮ (এজেন্সি):
ভিজিটর লিশিং কয়া লাক্তুনা অচিনবা মফম অমা ওইরিবা টাইম স্কৱার হায়না খঙনবা ন্যু য়োর্ক সিটিগী লম কোয়বশিংনা পাম্নরবা এরিয়া অসিদা টেরর এটেক চথনবা খুঞ্জিল থৌরাং তৌরম্বগা মরী লৈননা অনীরকশুবা ওইনা বাংলাদেশি অমা ফারে হায়রি।




অমেরিকাগী স্পেসল মরিন টিম অমনা হাৎখ্রবা অল-কায়দাগী চীফ ওস্মা বিল লান্দেনদা ঙাওজবা মশাগী চহী ২২ শুরবা অসিকুল অলম কৌবা বাংলাদেশি অদু অন্দর কোভর লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসর অমদগী সেমি-ওটোমেটিক পিষ্টল অনী ফংখিবা মতুংদা ফাখিবনি। ওফিসর অদুগা মহাক্না টেরর এটেকশিং চথনবগী থৌরাংশিং খন্নখি হায়না ওফিসলশিংনা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তসু অতোপ্পা বাংলাদেশি অমনা টাইম স্কৱারগী অন্দরগ্রাউন্দ মেট্রো ষ্টেসন অমদা বোম পোকখায়হন্নবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং বোম অদু মপুং ফানা পোকখায়খিদবনি হায়রি। মায় পাকখিদ্রবা এটেক অদুদা অকায়েদ উল্লাহ কৌবা বাংলাদেশি অদুগী হকচাংগী মফম কয়া মৈনা চাকথেকখি অমদি মহাকপু পুলিসনা ফাবগা লোয়ননা টেররিজমগী চার্জ কয়াদা কনভিক্ট তৌখি।

শগোলশেল নুমিত্তা ফাখিবা অলম ইরাই নুমিত্তা ফেদরেল কোর্ট অমদা পুথোকখি অমসুং সেরিএল নম্বর মুথৎখ্রবা নোংমৈ অনী লোনা য়াদবা মওংদা লৈরম্বগী মরাল শীখি। জজ অমনা মহাকপু বেল পীদনা কষ্টিদিদা থম্নবা ওর্দর তৌখি।

প্রোসিক্যুটরগী কমপ্লেন্টদা অলম্না জিহাদি সিম্পেথাইজরশিংনি হায়না খঞ্জবা অন্দর কোভর এজেন্টশিং কন্টেক্ট তৌখি অমসুং টেরর এটেক কয়া চথনবগী থৌরাং কয়া য়াৎখি হায়না পনখি।

পুলিস কম্মিস্নর জেমস ও'নিলনা ফোঙদোকখিবদা, অলম্না এজেন্টশিংদুগা নোংমৈ, সুইসাইদ ভেষ্টশিং, হেদ গ্রেনেদশিংগী মতাংদা খন্নখি অমদি মহাক্না টাইম স্কৱারগুম্বা ন্যু য়োর্ক সিটিগী মী চিল্লবা মফম কয়া এটেক চথনবগীদমক্তা কুপ্পা য়েংশিনখি। গভর্নমেন্ট ওফিসল অমা হাৎনবগীদমক্তা অলম্না ৱাশিংটন্দা এটেক অমা পাঙথোক্লবগী মতাংদসু এজেন্টশিং অদুদা ৱারী শাখি।

# ইষ্টর এটেক্কী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি প্রোব চথ্বগী ৱাফম শ্রীলঙ্কাগী প্রসিদেন্ট শ্রি সেনানা য়ানিংদ্রি



কলম্বো, জুন ০৮ (এজেন্সি):
শ্রী লঙ্কাদা সিক্যুরিটি ফেল ওইবদগী ইষ্টর সন্দেদা চথখিবা মীওই ২৫০ হেন্না শিহনখিবা অমদি অতৈ মীওই চা কয়ানা অশোক-অপন নংখিবা সুইসাইদ বোম্বিংশিং অদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টরি ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবগী ৱাফম শ্রি লঙ্কাগী প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা শিরিসেনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

প্রসিদেন্ট শিরিসেনানা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ইমর্জেন্সি মীফম অমা কৌখি অমসুং এপ্রিল ২১ গী এটেকশিং অদুগী মতাংদা থিজি ল্লিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেলেক্ট কম্মিটি (পি ঐচ সী)গী থবকশিংবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি হায়না দেলি মিররগী রিপোর্টনা হায়রি।

পী এস সীনা ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিং অমসুং ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন ওফিসরশিং কৌখৎপগী থৌওংদা নুংনাংবা উৎলদুনা শিরিসেনানা কেবিনেটতা হায়খি মদুদি, সী ঐচ সীগী প্রোসিদিংস অদুনা সুইসাইদ বোম্বিংশিং অদুগা মরী লৈনবা কেস মঙাদা লৈরিবা সুপ্রিম কোর্টকী প্রোসিদিংসতা অকায়বা পীগনি। ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস পুজিৎ জয়াসুন্দ্রা অমসুং হান্নগী দিফেন্স সেক্রেটরি হেমাসিরি ফর্নান্দোনা কম্মিটিদা পীবা ৱারোলদা হীরম অসিগী মতাংদা প্রসিদেন্টকী মায়কৈদা মথৌ থৌশাদবদগী মরাল কয়া থংজিনখ্রবা মতুং নোংমা লৈরগা কেবিনেট মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

পী এস সীগী প্রোসিদিংস অদুনা এটেকশিং অদুগা মরী লৈনবা কেসশিংদা অকায়বা পীরগনি হায়না এটোর্নি জেনরেলনা মঙোন্দা খঙহল্লকপা লৈরে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট শিরিসোনা মহাক্কী ওফিসর অমত্তা পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা ৱারোল পীনবা থাররোই হায়খি। কলম্বো গেজেটকী মতুং ইন্না ইষ্টর সন্দেগী এটেকশিং অদুগী মতাংদা পী এস সীনা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানি অসিদা মীফম চথদুনা লাকখি। এটেকশিং অদুদা লক্সরি হোটেল ৩, চর্চ ৩ অমসুং অতৈ মফম ২ টার্গেট তৌখিবনি।

# রসিয়া দিলনা মরম ওইদুনা টর্কিবু এফ-৩৫ প্রোগ্রামদা শরুক য়াহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে




অঙ্কারা, জুন ০৮ (এজেন্সি):
টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেপ টায়িপ ইর্দোগানগী এনমিনিষ্ট্রেসন্দা হৌজিক ফাওবদা য়ু এস গভর্নমেন্টনা পীরকপা খ্বাইদগী অকনবা ৱার্নিং অমদা করিগুম্বা টর্কিস গভর্নমেন্টনা মোস্কোগা চথনরিবা এস-৪০০ মিসাইল দিলদগী খোঙফম হন্দোক্তবা তারবদি অঙ্কারাবু এফ-৩৫ জেট প্রোগ্রামদা য়াওহন্দনবা ট্রম্প য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসন্না ওর্দর তৌখ্রে।

এক্তিং য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি পেট্রিক শানান্না শগোলশেল নুমিত্তা টর্কিগী মহাক্কী লেংমান্নবা হুলুসি অকরদা ইখিবা লেট্টর অমদা হায়খি মদুদি, প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়ারিবা টর্কিস পাইলোট খুদিংমক জুলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা য়ু এস থাদোক্তুনা চৎকদবনি অমসুং অনৌবা পাইলোটশিংগী ট্রেনিংসু লেপ্পগনি। পীরিবা মতম অদুনা হৌজিক হৌজিক এফ-৩৫ তা ট্রেনিং তৌরিবা পাইলোটশিংবু মখোয়গী ট্রেনিংশিং মপুং ফাহনবগা লোয়ননা অতৈ পাইলোটশিংবুনা অতৈ পোষ্টশিংদা রিএসাইন তৌবগী মতম ফংহল্লগনি হায়না লেট্টর অদুদা শানান্না পনখি।

এক্তিং দিফেন্স সেক্রেটরিগী ৱারোল অসি য়ু এসনা টর্কিবু রসিয়ানা শাবা এস-৪০০ মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা হোৎনবগী মতাংদা উংখৎনবা লৈরিঙৈগী মরক্তা এফ-৩৫ প্রোগ্রামদগী লৌথোক্লবা হোৎনবদা থাংলক্লিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি। অঙ্কারানা লাক্লিবা জুলাইদা রসিয়ানা শাবা এদভান্স সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল সিষ্টেম অদু লৌশিনবা হৌনবা ৱারেপ লৌখিবদগী হৌখিবা থা খরা অসিদা য়ু এস অমসুং টর্কিগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখিবনি।

টর্কিনা মল্টি-মিলিয়ন দোলর জেটশিং অদু লৌশিনবগা মরী লৈননা জেটশিং অদুগী পার্টশিং অমদি সর্ভিসশিং পীবগী থৌরাংশিংসু ৱাশিংটন্না মতম খরগী মমাংদা লেপখ্রবনি। হৌজিক টর্কিনা এস-৪০০ লৈবগী থৌরাং অসিদগী খোঙফম হন্দোকপগী ওপসন অমা খন্নবা য়াগনি হায়না শানান্না হুলুসি অকরদা ইখিবা লেট্টর অদুদা মখা তানা পনখি।


## EMPLOYMENT NEWS/

(1) One Lecturer of Maths, One Teacher for Home Science & English Grammar (Salary Negotiable)
(2) One Female Security cum Driver for Boarding (Rs. 6000 -8000)
(3) One Boarding Generator Mechanic cum Security (Rs. 7000 -9000)
(4) 2 Boarding Mother and 2 Boarding Chowkidar (Rs. 5500 -7000)

HL/P/4376/9 Contact : 8257807581/ 7085178130

## মী পামজে / WANTED

Xpressbees courier গী Delivery Staff খরা লৌজ গদৌরি। থাগী Salary Rs. 7000-10,000 ওইগনি। মশাগী চহী ১৮-২৫, Smart Phone অমদি Two Wheeler লৈবা নুপা/নুপীনা এপ্লাই তৌবীবা য়াগনি।

**Xpressbees courier** HL-P/4285/8,9
Contact No. 7005123267/8787652546/8257070036

## Study MBBS in India

Oldest & trusted medical GUIDANCE

Direct admission Top Pvt. Medical College Recognised by MCI at law package

Package 40 lacs to 75 lacs

- Karnataka (Banglore, Manglore, Shimoga, Tumkur, Sullia, Chitradurga, Kolar).
- Uttra Pradesh (Delhi NCR, Lucknow, Kanpur, Mathura, Agra, Meerut, Noida)
- Rajasthan (Geetanjali, NIMS, Pacific)
- Chennai (Pondicharry)
- Pune, Navi Mumbai (Dy Patil, Bharati Vidyapeeth, KIMS)

Aboard MBBS:
# Bangladesh; # Kyrgystan; # Nepal.

BDS, BAMS, BHMS, BCA, Vety Engg, Nursing, Mgt, Agri, Tech. etc.

HUMAN RESOURCE CENTRE
Keishampat Top Leirak, Opp. Sanaleibak Daily News paper, Imphal
Help Line No: 9402938178 / 8794758218

(HL-P/6198/10/5-7/7 (alt

## Centre for Development of Advanced Computing

सी डैक CDAC
A Scientific Society of the Ministry of Electronics & Information Technology, Government of India

### Admission Announcement for PG Diploma Courses in ICT – August 2019

C-DAC announces admission to the following career oriented 24 weeks duration fulltime Post Graduate Diploma courses in ICT (NSQF level 8 compliant) for Engineering or M.C.A or equivalent graduates (for course wise eligibility criteria and pre-requisite visit website):

- PG Diploma in Advanced Computing (PG-DAC)
- PG Diploma in Artificial Intelligence (PG-DAI)
- PG Diploma in Big Data Analytics (PG-DBDA)
- PG Diploma in Advanced Secure Software Development (PG-DASSD)
- PG Diploma in Embedded Systems Design (PG-DESD)
- PG Diploma in IT Infrastructure, Systems & Security (PG-DITISS)
- PG Diploma in Internet of Things (PG-DIoT)
- PG Diploma in VLSI Design (PG-DVLSI)
- PG Diploma in HPC Systems Administration (PG-DHPCSA)
- PG Diploma in System Software Development (PG-DSSD)
- PG Diploma in Mobile Computing (PG-DMC)
- PG Diploma in Biomedical Instrumentation & Health Informatics (PG-DBIHI)
- PG Diploma in Geoinformatics (PG-DGI)

Important Dates:
Last date of registration: June 17th, 2019
C-DAC Common Admission Test :
CCAT I - 23rd June 2019
CCAT II - 30th June 2019
Course Commencement : August 20th, 2019

National Common Placement Programme is organised with excellent track records

DAVP /06132/11/0003/1920

*Scholarships available in select centers, visit website for details

**Courses offered at:** • **Bengaluru** C-DAC eCity (080 – 28523300) C-DAC Knowledge Park (080-25093400/537) • **Bhubaneshwar** Lakshya (9040022750) • **Chennai** C-DAC ACTS (044 – 22542226/7) • **Guwahati** C-DAC (03842-242009) • **Hyderabad** C-DAC ACTS (040 – 23737127/28) • **Indore** Orlando Academy (9584894999), • **Jaipur** Netcom 9649272709 • **Karad** Sunbeam (02164 – 225500) • **Kochi** – C-DAC (0484 2372422/ 9447247984) • **Kolkata** C-DAC (033 23575989/ 9846) • **Mohali** C-DAC (0172 2237052-55) • **Mumbai** C-DAC Juhu (022-26201606/574/488), C-DAC Kharghar (022 27565303/6), AIT - YCP Nariman Point (022- 22043619 /17 ), MET- IIT , Bandra (022-39554366), Thakur Institute, Kandivali (022-67308113) USMs Shriram Mantri Vidyanidhi Infotech Academy Juhu (022 - 26255629) • **Nagpur** Soft Polynomials (0712 – 2556808 / 9284082127) • **Nashik** MET IIT, BKC (0253-2555896) • **New Delhi** C-DAC (9810263864), Bytes Softech (9350552415) • **Noida** C-DAC (0120-3063371-73) • **Pune** C-DAC ACTS (18008430222), Infoway Technologies, Kothrud (020-41312111) IACSD, Akurdi (020 – 27659509), Institute of Emerging Technologies, Shivaji Nagar (9595309911) KNOW-IT, Deccan (9021479888), Sunbeam Institute, Hinjewadi Phase II 7410 071 951) • **Thiruvananthapuram*** C-DAC ACTS (0471-2781500/8547882754)

For further details on Courses, C-CAT, Eligibility, Registration and Application Visit Our Website: **www.cdac.in; acts.cdac.in** Follow us on Facebook: **www.facebook.com/OfficiallyACTS**

इस अधिसूचना का हिंदी संस्करण www.cdac.in पर उपलब्ध है

## /দুকান প্লোট অমা শাঙ্গরি

ঘরিদা মেন রোদকী হেক তাইনবদা মহিন্দ্র সোরুমগী মনাক্তা দুকান প্লোট অমা শাঙ্গরি। পাম্বীবা মীওইনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL/P/4377/9 Contact : 9862530926

## /থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি


সুধাকর

শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক, আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হীদাক নুমিৎ নীনিদং চাবদা ঐ ডা. লৈশাংথেম উমানন্দ, চিংঙামথক মণিপুর কোলেজ, ঐগী য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা লৈরম্বা নূং ৮ এম এম চাউবা অদু তারক্লে। মসিদা ঐনা হরাওবা নুংঙাইজবগা লোয়ননা লাইশ্রম সুধাকরবু থম্মোয় শেংনা পাউচেগী থোঙদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। তাইবঙ শেম্বা মপুনা মহাকপু পুন্সি নুংশাংবা পীনবীবা ওইরসনু।

Sd/- ডা. লৈশাংথেম উমানন্দ সিংহ
চীংঙামথক মণিপুর কোলেজ, রোদ, ইম্ফাল

HL-P/4368/8,9,10

## OFFICE OF THE IIBIT IMPHAL, MANIPUR

(Indian Institute of Banking and Information Technology)
GSTIN : 18AAFF017234ZK, Branch Code : IIBITM06684

Vacancy in India's top leading Pvt Bank for the following positions-

i) CSD :- Customer Service Officer female graduate candidate.
ii) Phone Banking Executive :- Graduate with fluent in English, Hindi (Male/Female) both can apply.
iii) Branch Executive :- Any Graduate with age below 32 yrs.
iv) Loan Officer :- Any graduate and experience can apply.
v) BRE/BRM :- 10+2 can apply with fluent English, Hindi.

*Contact :* IIBIT
(Indian Institute of Banking and Information Technology)
Office, Khoyathong Imphal
*Phone No.* : 9612457523 / 6009175954

HL-B/5367/21-31...

## UCO IMPHAL BRANCH

यूको बैंक UCO BANK
THANGAL BAZAR

## POSSESSION NOTICE

FOR IMMOVABLE/ MOVABLE PROPERTY UNDER SARFAESI ACT, 2002

POSSESSION U/S 13(4)

OF THE SECURITIZATION AND RECONSTRUCTION OF FINANCIAL ASSETS AND ENFORCEMENT OF SECURITY INTEREST ACT, 2002

**সেক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সট্রক্সন ওফ ফাইনান্সিয়েল এসেটস এন্দ এনফোর্সমেন্ট ওপ সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট,** ২০০২ গী মখাদা **য়ুকো বেঙ্ক ইম্ফাল ব্রাঞ্চ**কী ওথোরাইজ ওফিসর ওইনা মখাদা সহি তৌরিবা ইশামক্না সেক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (এনফোর্সমেন্ট) রুল, ২০০২গী সেক্সন ১৩(১২) অমদি মসিগী মতুং তাবা রুল ৮ অমসুং ৯না পীবা শক্তি শীজিন্নদুনা শেল পুরিবা মীওই/গেরেন্টরশিংদা তোল্লিবা শেনফমশিং, মখোয়গী ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা নোটিশ অসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৬০ (নুমিৎ হুম্ফু)নিগী মনুংদা শিংদোক্লবা খংহঞ্জরি।

মখাদা পল্লিবা বোরোৱর গেরেন্টর মোর্গেজরশিংনা শিংফম থোকপা শেনফম শিংবা ঙমখিদবদগী ওথোরাইজ ওফিসরনা মথক্তা পল্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩(৪) অমসুং মসিদা পল্লিবা রুল ৮ অমসুং ৯ গী পাৱর শীজিন্নদুনা প্রোপর্টি অসি মখাদা পল্লিবা তারিক অসিদা লৌশিল্লে হায়না বোরোৱর/গরেন্টর অমসুং মীয়ামদা নোটিশ অসি পীজরি।

মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টিশিং অসি দিলিং তৌবিদনবা মীয়াম অমদি মরু ওইনা বোরোৱর/গরেন্টরশিংদা খঙহল্লি, করিগুম্বা দিলিং তৌগে হায়রবসু মখাদা পল্লিবা এমাওন্ট অমসুং শেন্দোইগা মান্নবা প্রোপর্টি শরুক্তুগীদি য়ুকো বেঙ্ক, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী অয়াবা লৌগদবনি।

| সে: নং: | শেল পুরিবা মীওই অমসুং গরেন্টরগী এ/সী নং, মিং অমসুং লৈফম | নোটিশ পীখিবা তারিখ/সিম্বোলিক পোজেসনগী তারিখ/নোটিশ পীবা নুমিৎতা লৈবা শিংগদবা শেনফম | প্রোপর্টিগী মওং মতৌ |
|---|---|---|---|
| ১. | এ/সী নং ৫৫১০৬০১১০০১৫৬<br>মীং : **শ্রীহাওবম সোমোর্জিৎ সিংহ,** (বোরোৱর), **অপোকপা হাওবম বুধি সিংহ,** শীংজমৈ টোপ লৈকাই<br>মীং : ঐচ সোমোরেন্দ্রো, (গরেন্টর), শীজমৈ টোপ লৈকাই | নোটিশ পীখিবা তারিখ : ১১/০৯/২০১৮<br>পোজিসনগী তারিখ : ০৩/০৬/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট : লুপা ১০,৫৪,১৭৭/- | দাগ নং: ২৩৯৯ পাট্টা নং : ৪৮/৪৯২/(অরিবা) ৭৯০/১৫৪৪ (অনৌবা) ওইবা হেক্তর ০.০১৮৫ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ৪৮-শীংজমৈদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং : ঐচ মংলেম সিংহগী লম<br>মখা : ঐচ অঙাংয়াইমগী লম<br>নোংপোক : লম্বী<br>নোংচুপ : জয়কুমার সিংহগী লম |
| ২. | এ/সী নং : ৫৫১০৬০১১০০১৮৪<br>মীং : **শ্রীঅভুজম সুরচন্দ্র সিংহ,** (বোরোৱর), অপোকপা অবুজম য়াইমা সিংহ, উৎলৌ<br>মীং : টি ঐচ শরত সিংহ, (গরেন্টর), উৎলৌ ময়াই লৈকাই | নোটিশ পীখিবা তারিখ : ১১/০৯/২০১৮<br>পোজিসনগী তারিখ : ০৩/০৬/২০১৯<br>বি/ও এমাউন্ট : লুপা ১৩,২৬,৪২৯/- | দাগ নং: ১১৩৯ পাট্টা নং : ১১/(অনৌবা)/২৩৮(অরিবা) ওইবা একর ০.৩৬ পাক চাওবা ভিলেজ নম্বর ১৬-উৎলৌদা লৈবা মখাগী অসুম্না কোয়শিনবা লম<br>অৱাং : শ্রীটি ঐচ সনাতোম্বগী ইঙ্খোল<br>মখা : শ্রীএল ইবোমচাগী ইঙ্খোল<br>নোংপোক : লম্বী<br>নোংচুপ : টি ঐচ চাওবগী লৌউ-শীংউগী লম |

মফম : ইম্ফাল, তারিখ : ০৯-০৬-২০১৯
**Authorized Officer, UCO Bank, IMPHAL BRANCH**
HL-B/5457/9